# অঙাংশিংগী হক অমদি দিপ্রোটেক্সন ওফ দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্ট




## নন্দা দেবী

***করিগুম্বা*** পোৎ নৎত্রগা থবক অমগী অফবা অমদি ফত্তবা মায়ওন অনী শোয়দনা লৈ। মরম অসিনা আইন হায়বা অসিগীসু অচুম্বা মওংদা শীজিন্নরবদি অফবা মায়কৈ অদু শোয়দনা ফংবা ঙমগনি। মসি নত্তদুনা অরানবা মওংদা শীজিন্ননবা হোৎনরগনা অতোপ্পা মায়কৈ অমদা অকায়বা কয়া পীরকপা য়াই। মীওইবনা তুংলমচৎকীদমক অফবা মীরোল শেমগৎনবা হোৎনৈ। অঙাংশিংবু তুংগী মীরোলনি হায়বগীদমক অঙাংশিংগী ওইবা আইন কয়া শেমদুনা মখোয়বু ঙাক শেন্নবা হোৎনরি। অঙাংশিংগী হক ফংহন্নবগীদক থৌরাং থৌশিল কয়া শেমদুনা পায়খৎলি। নেসনল অমদি ষ্টেটকী থাক্তা কন্মিসন লিংদুনা হকথেংননা অঙাংশিংবু য়েংশিনবগী থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

অসুম্না নুপীশিংগীদমকসু আইন কয়া শেমই। কন্মিসন শেমই। নুপী হায়বসি মমানি, মচে-মচলনি, মনে-মনে দালনি অমদি মবোকনি। মসিদা নত্তনা মালেমগী ওইবা নুপীশিংগী মীফম ফমদুনা ৱারেপ কয়া লৌরি। চহী চহীগী ওইনা তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক কয়া শেমদুনা নুপীশিংবু নুংগী ওইবা পাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরি। শম্না হায়রবদা নুপী অঙাং হায়বসি মীওইবগী খুন্নাইদা য়ূম্বী মখোঙনি। নুপীশিংগী ফীভম ফগৎহনবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা থৌওংশিংগী মনুংদা অমনি। অসিগুম্না অঙাং হায়বসিসু অচঙবা মী অমা ওইহনবা হায়বসি মীওইবা খুদিংমক্কী থৌদাংনি।

অদুম ওইনমক নুপীশিংবু নুপী ওইনা লৈবা ঙমজনবগীদমক শেম্বা আইনশিংগী মরক্তগী য়ূম পাল্লবশিংবু ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা হায়বদি মাগী নুপা অদুনা নৎত্রগা মনেম মকুনা নৎত্রগনা অনীমক্কা ওৎপী নৈবীবদগী ঙাকথোক্লবা শেম্লিবা দি প্রোটেক্সন ওফ ৱিমেন ফ্রোম দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্ট লৈবাক পূম্বগী চৎনরকপনা মণিপুরদসু এক্ট অসিগী মখাদা নুপীশিংনা মাগী নুপা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মথক্তা ৱাকৎ কয়া ৱায়েলশঙদা থাঙ্গৎলকখ্রে। নুপীশিংবু ফুবী চৈবীবা, অথীবা ৱাহৈ কয়া হায়দুনা মরাল শিবনচিংবা তৌবীবদগী মপামদা তোয়না চেনবা, মশা মতোমতা শিজবা, ৱাখল লায়না নারকপা, নাম্মা শোয়বা ওইহনবনচিংবা থোকপগী মায়োক্তা ৱায়েলশঙনা চৈরাক কয়া পীবা য়াই। অনা লায়েংমল পীহনবা, চাকথাক পীহনবা, খুদোংথিবদগী ঙাকথোক্লবা মফম চাবা লৈননবা মফম পীবনচিংবা কয়া নুপা অদুগী মথক্তা য়াথং পীবা য়াই। মরমশিং অসিনা নুপীবু নুপী ওইনা হিংজনবগী মচাক ওইহল্লি। অদুম ওইনমক নুপা অদুনা অমদি নুপা ময়ূমগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মখোয়গী ইকায়খুম্ন বা মাঙহনবনি হায়না লান্না লৌনবা নৎত্রগনা হেন্না হায়জিনবা কয়া য়াওবদগী পুন্সিগী ওইনা খাইননবা ৱারেপ লৌরক্তুনা খাইনবগী ৱাকৎ অমা অমুক ৱায়েলশঙদা নুপীদুগী মথক্তা থাঙ্গৎপা অসি চৎনবী ওইনা তৌনরক্লে হায়বা য়াই। মসিদগী ওইরকপা অমাঙবা কয়াগী মনুংদা খরদং য়েংসি। মচা য়াওদ্রিবা চহী য়ামদ্রিবা নুপী ওইরগদি অতোপ্পা নুপা অমদা অমুক ময়ূম পানবা মসিদসু দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স মায়োক্লবা, নুপা অমা নৎত্রগা অনী/অহুম তিন্নবদগী ৱাথোক কয়া চেন্নবা, নুপী লৈরবা নুপাদা ময়ূম পানবগী মরী লৈনবদগী দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সগী চৈথেং অমুক ফংবা অসিনচিংবা থোকই। অমরোমদা মচা অমা নৎত্রগা খরা লৈরগনা মপাগী মনাক্তা, খরা লৈরগনা মমাগী মনাক্তা লৈবনা মরম ওইরগা অঙাংশিংবু নিংথিনা য়েংশিনবীবগী চাং হন্থরকপা নৎত্রগনা মচা হুনে দাক্লম্লগা অতোপ্পা নুপাদা ময়ূম পানখিবদগী অঙাংশিংবু য়েংশিনবীনবা লৈতবদগী অঙাংশিংদা ৱাখলগী অনাবা, মহৈ-মশীন তম্বদা মপূক্লিং চঙদবা, চাউরগনা ময়াই কাবা পোৎলম শীজিন্নবগী হৈনবী ওইহল্লকপা অমদি ক্রাইম কয়াদা চেন্নরকপা অসিনচিংবা থোকহল্লি।



অঙাংশিংগীদমক অফবা অচঙবা তুংগী মীরোল ওইহন্নবগীদমক আইন কয়া অমসু শেমই। খরদং হায়রবদা রাইট টু এদ্যুকেসন, জুবিনাইল জষ্টিশ এক্ট, চাইল্ড লেবর প্রোহিবিসন্নচিংবা অসি পনবা য়াই। অসিদা নত্তনা থৌশিল থৌরাং কয়াসু লৌখৎলক্লি। নেসনল অমদি ষ্টেটকী থাক্তা কন্মিসন শেমদুনা অঙাংশিংবু হকথেংননা য়েংশিন্নবা থবক পায়খৎলি। ঐখোয়গী লমদমসিদসু মণিপুর কন্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা নোটিশ অমা থোক্তুনা পীক্লিবা অঙাংশিংনা মশাগী অরুম্বগা চানদবা লাইরিক খাউ অচৌবা অরুম্বা থাংবদগী অঙাংশিংগী মশাদা ফরক্লোইদবা কয়াবু থিংননবা মরী লৈনবা লোয়শঙ, এন জি ও অমদি মহৈতম্ফমশিংদা অরুম্বা লাইরিক খাউ পুহনবা থিংননবা খঙহল্লি। অচৌবা অরুম্বা খাউ পুদবা য়াননবা মহৈশঙশিংদা অঙাংশিংগী মহৈগী থাক্কী মতুং ইন্না পাড়া তন্বীনবা মচাক মতিক চানা থম্ননবা অকুপ্পা মরোল কয়াসু মরীক চুম্না য়াওরি। অঙাংশিংগীদমক শেম্লিবা আইন, লিংলিবা কন্মিসনশিংনা পায়খৎপা থৌওংশিং অসিদি মমা মপাগীসু অচৌবা শরুক য়াওরি। হায়বদি অঙাং হায়বসি মপা মমা, ইমুংগী মীওই কয়ানা শেন্নবা, মখোয়বু অচুম্বা লম্বীদা চৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি।

মরম ময়াম অসিদগী য়েংবা মতমদা অঙাংশিংগী হক ফংহন্নবা শেম্লিবা আইনশিংগা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্ট অসিগা হেক হেক তায়ওন্নবা থোকই হায়বসি অদুমক ওইরকপা মরম অমনি হায়বা য়াই। তুংগী অফবা খুন্নাইগী য়ূম্বীদি অঙাংশিংনি।

অমরোমদা অঙাংশিংবু হকথেংননা লোয়নগদবা মখোয়গী অচুম্বা লম্বী তাক্কদবসি মমা মপা অমদি ওজাশিংনি। ওজাশিংগীদি লৈঙাক্কী থৌশিল নৎত্রগা আইন অমনা পুনশিনবা য়াই। মমা মপাগীদি আইন্না পুনশিনবা য়াবসি খরদংনি। আইন্না তৌহনবা থৌওং অসিদা অঙাংশিংদা মীনুংশিগী চাং অসি মপা মমাগী অপূনবা মীনুংশিগী চাংদগী য়াম্নমক হন্থে। মপাদুনসু চাকথাক পীবদুদমক মথৌনি খল্লকই। মমাদুনসু চাকথাক লৌবদুনা মরুনি হায়বদমক খল্লকই। মরম ময়াম অসিদগী অঙাংশিংদুগী ৱাখলদা চয়েৎনবা, অচুম্বা করিনো খঙদবা, মপা মমাগী, ইমুং মনুংগী অশেংবা নুংশিবা ফংদবদগী অরানবা লম্বীদা চৎনবগী মচাক ওইরকই। মহৈ মশীন তম্বদা মপূক্লিং চঙবা ৱাৎলকই। মখলশিং অসিগী অঙাংশিংনা চাউরক্লবা মতমদা ক্রাইম কয়াদা চেন্নরকই।

অরোইবা ওইনা হায়রবদা অঙাংশিংগী অহানবা হক ফংফম অসি মমা মপাদগীনি হায়বদি মমা মপাগী মীনুংশি অদুনি। অদুগা নুপীশিংগী ওইনা ময়ূম পাল্লবী নুপী অমগীনা অহানবা হক অসি মাগী নুপা অদুগা ৱাখল মান্ননা লৈমিন্নবা অদুনি। অফবা তুংগী খুন্নাই ওইহনবদা নুপীশিংবু নুংগী পাঙ্গল কলহনবা চঙই। অঙাংশিংবুসু মখোয়গী হকশিং ফংহনবা হায়বদি অশেংবা অঙাংগী পুন্সি অদু ফংহনবা চঙই। মরমশিং অসিনা আইন হায়বসি অরানবা মওংদা শীজিন্নবা হায়বদি ইমুং মনুংগী ঙাইহাক শাওনবদা অমনা অমবু অঙম তান্নবদা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদনবা হোৎনবা চঙই।

ইমুং মনুং মহী লাংলবদি পীক্লিবা অঙাংশিংগী ৱাখলদা চরাংনবা, মফম খঙদবা ইথিল অমা তপ্না তপ্না চঙখিবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। চাইল্ড সাইকোলোজিসশিংনা অঙাংশিংবু পোজিটিব থিংক্কিং ঙাক্তা খলহনগদবনি। নেগেটিব থিংক্কিং খলহনবা অসিনা অঙাংশিংবু ফত্তবা ৱাখল খলহনবা হৌহল্লি হায়না। হায়বদি অফবা তুংগী খুন্নাই অমগীদমক অফবা অঙাংশিং চঙই। মরমশিং অসিদগী ঐখোয়না তৌবা য়াবা খরদি অঙাংশিংগী হকশিং অমদি দি প্রোটেক্সন ওফ ৱিমেন ফ্রোম দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্ট পূন্না চৎমিন্নহনগে হায়রবদি খুন্নাই অসিগী নুপা নুপী, মমা-মপা, মনেম-মকু, মবুং-মৌপ্বা, মচে-মচল খুদিংমক্না পূন্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। করিগুম্বা পোৎ অমগী অফবা অমদি ফত্তবা মগুন অনীগী মনুংদা অফবা মগুন অদুমক ফংনবা হোৎনবদা অচুম্বা অশেঙবা হায়বসিগীসু মফম কল্লি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লাই ফাওবা ফাগে খনবসিনা

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***পুকচেল*** চাউবসি কনানা ওইদৌরি? মসিদি মী খন্দুনা তৌহনবা য়াবা থবক নত্তে। মানা মথন্তা হায়নরুবা তৌদনা অদুমক শাফোংলক্কদবা থৌদোক্নি। ঙসিদগী পুকচেল চাউবা হৌরদবনি খন্দুনা হোৎনবসু য়াবা নত্তে। অরৈবা মীনা পুকচেল চাউবগা, লৈতবা মীনা পুকচেল চাউবগা অনীসি কৈদৌনুংদা মান্নবা য়াদে। খেন্নবা অমদি অদুমক লৈগদবনি। লায়রবা ওইগেরা, ইনাক খুনবা ওইগেরা? মী মীদুগী মতুং ইনগদৌরিবনি। মসিদা অদুনি-অদানি হায়রুবদা কান্নগদবা নত্তে। মতম লৈরিঙৈদা হোৎনহৌদ্রগা তৌদবা য়াদবদৌনা অহিং-নুংথিল খঙদবা মখে লৈজবী থাদনা হোৎনবা মচু মমেল খরদি ৱাৎতনীঙাই লৈরোই। মশা মশাগী খনবা মীগী মশীংনা থিরুবদা অৱাবা ওইগদৌরিবা মতমসিগী কাঙলোনসিদা লুশিল্লক্লুবনি। ষন্থি পেকপদা ষনাও য়াওবগী খোঙফম ঙম্নমক তারক্কদৌরিবনি।

ঙরাং নহান্দা মরাথোনগুম্লবা শাংলবা ব্লোকেদ লোইখিবদা ঙাইরিঙৈসিদা কদোমদগীনো মফম মরাং খঙদবা নোংজু অমনা খূৎশেমগী ঈচাউ অমা থোক্লবা হোৎনরকপা ঙমসু ঙল্লোইদবদা নতেফমদা তেখিবা তাইবঙবু শেন্বীবা মপূ মানা পেনবীরবনি। ঈচেলফম খঙদ্রবা ঈশিংগী ঈপাক খরদি পামদা পামদনা অদুমক মরৈরি। ইঙ্খোল কোয়রগা মদুদগী থোরক্কদৌরিবা মনা-মশিংগী পোৎথোক্তুনা ইচাগী, ইশুগী লাইরিক লাইশু তম্বদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইগনি থাজরম্বা পূম্নমক তাইবঙদগী মঙলান তারক্কদৌবদা ৱাজবা লৌমী লৈতে করম হায়গনি। হন্দক্কী চহীসিদদি শেন্বীবা মপূ ফাওবা লাই য়াওরবনি। নোংলৈ নুংশিৎতা ময়ূম-মকৈ পাইথোক্তুনা অমাং-অতা থোকখিবা মখোয়দুনা করম তৌরমদৌরিবা? মসিগীদমক কেন্দ্রদুগী মীহুৎতুনা তঙাইমক ফদনা মতেং পাঙবা য়াবা, লৌখৎফম থোকপা থবক থৌরম খুদিং লৌখৎনবা হোৎনবীবা খ্বাইদগী অফবা হায়বদু ওইদনিঙাই লৈরোই। থৌদোক-ৱাথোক্তা মান্দব ময়ায় চঙদুনা ঐসু লাক্তি লাক্লমইকো খঙনবা, হৌজিক্কী মশা শাথিনা নাল্লবা চৎনবীসিদা পৈশা থাবা, মসিগী মহুত্তা হিংবদা ৱাজরবা কনাগুম্বগী ইমুংদা মতেং পীবদা কাউগদবা লৈরোই।

ঙাইহাক ঙাইহাক্কী মীমাংদা উৎ চাইবগী চনিবীসিদি মুখৎপবু ফরবা জাৎনি। ঙমজবা খরনা থৌদোক্তুগী পোৎয়েং পীবদা মান্দব ময়ায়দা অমুক্তং চঙদ্রবদি ইৱাৎ ৱাৎপদৌনা হামবোইনবা ৱাখল অমা ইরৈ লৈবা মসিমা চেবাউ ফংলিবা খুদিংমক্তা লৈরবনি। ঈশিংগী ঈচাউবু থোক্তনবা থিংনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবা মতৌসিগুম্না ওভর ওইরবা ঐখোয়গী চৎনবী ময়ামসিগী মনুংদগী পামদা পামদনা ঈজৎ ঙাক্লরিবা চৎনবী খরসিদং লৌথোক্লবা হোৎনবদা মতম কয়া য়াম্না কুইনা চঙদৌরিবা? মচিন্দদি পামদে অদুমক মহায়বা, তৌথোরকপা থবক্না মতুং অদুমক ইনবা মসিবু করম্বা চৎন-কাঙলোন্নি হায়দৌরিবনো? ঈজৎ ঙাক্লবা হোৎনবদা মমৈদা চফু-উয়ান মিরাং কাহন্নবগী থৌরম ওইদৌরিব্রা? চিংনদবা লৈতে করম হায়গনি। খুদিংমক্তা পৈশানা থোং ওইরগা ফৈদা হায়নরবা মতমসিদা হুমাংগী লমনসিদি শিংথানববু ওইদ্রবনি। চহী য়াম্লবা অহল লমনশিংনা হায়নবা ৱাহৈদা য়ূম শাউ হায়না ইনশিল্লু। ভোট লেপ্পু হায়না ইনশিল্লু। অনীসিমক মথা শাদনিঙাই লৈরোই।

অনীমকসি অমতা য়াওজররোই হিংদবা য়াদনা অদুমক হিংজরগে হায়দুনা মনা-মনিল করিগুম্বা অমত্তা লৈতনা কেকু লোৎচবা মসিনবু ফরিবা জাৎনি। হন্দক চহীগী নমদনা খূৎশেমগী ঈচাউ থোক্কদবগী থরাক থরাক য়ানখিবা পূম্নমকসি করিদগী করম তৌনা ওইরকখিবা পূম্ন মক্কা খঙনরবা ৱাফম অদুমক ওইরবনি। অশোয়বা য়াওদনা য়েলহৌঙৈদগী লৈজরম্লবা ইরম নালা ঙম্নমক ইন্থোক্লদুনা পীকশল্লকপা, লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌনবা খুলগী, লৈকায়গী চৎনরিবা মরু ওইরবা লম্বীনা কুৎথনা লৈহৌরগা ইরম-নালানা ৱাংখৎনা লৈরকপা হায়দুনা লোইবা ঙমগদবা নত্তে। ময়াম অমনি। মীচম মীয়াম্না অদুনি অদানি হায়না হায়নগদবা, লাউনগদবগী মহুত্তা কেন্দ্রদুগী মীহুৎতুনা খরখিৎ থৱায় য়াওশিননা ঐগী কেন্দ্র করিদা শোয়খিগদগে খন্দুনা য়েংশিনবদা শোয়নীঙাইগী মচাক লৈরোইদৌরিবনি। মাগী কেন্দ্রদুনা আদা লৈহৌরগা মানা নুঙাইবা মফমদা লৈরগা মীহুৎনি হায়বসিদি ফজবা খরদি ৱাৎলবনি। অশোয়বা ওইরক্লবগী লম্বীসিদি চেকশিন্দবদগী অদুমক ওইরবনি। চেকপু চেকশিন্দ্রবা অশোয়বা ময়াম অমা অমুক মায়োক্লরগদবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

## মরোল থোকপা লাই




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১। ''মৈতৈ অমা লাকই/থাঙ পায়দুনা লাকই/চিংনবা লৈতনা চঙখি/থাঙনা য়াল্লে গোবিন্দগী সিংহাসন্দা'' কবি কনানা হায়বনো?

২। ''ঙসি কৌবা নুমিৎতগী মাম্মবু ঐনা... বাবা কৌজরবনি।'' পরেংসি ক্ষেত্রি বীরগী নোভেল অমদগী লৌথোকপনি। করম্বা কেরেক্টরনা হায়বনো?

৩। ''সুখলাল জ্ঞান মাঙনা মিৎ উইশিল্লকই/...ৱা ঙাঙদনা ফমুংদা উতুপ তাবগুম হাইথরকই।'' পরেং অনীসিনা ক্ষেত্রি সুবদনীগী করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?

৪। এম কে বিনোদিনীগী 'অশংবা নোংজাবী' ইংরাজিদা হন্দোকখ্রে। কনানা হন্দোকপনো?

৫। নৈন-ৱারেং 'চোইজাইনবা ৱারেং' কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।